# গাজা রিফ্যুজি কেম্পতা ইজরেলনা চত্থখিবা এটেক্তা অঙাং ৮ য়াওনা মীওই ১০ শিখ্রে, ১৫ হেন্না অশোক অপন নংখ্রে



গাজা সিটি, মে ১৫ (এজেন্সী) :
ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেতনয়াহুনা হমাজ গ্রুপকী মীওইশিংদা চপ চানা পাউখুম পীগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং ঙসি গাজাদা লৈবা রেফ্যুজি কেম্প অমদা ইজরেলনা চত্থখিবা এটেক্তা চহী নৌরিবা অঙাং ৮ য়াওনা পেলিষ্টিনিয়ন ফেমিলি য়াওনা মীওই ১০ শিহনখ্রে অদুগা মীওই ১৫ হেন্না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়রি।

থাংজ নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা গাজাদা লৈবা রেফ্যুজি কেম্প অমদা ইজরেলি মিলিটরিনা মিসাইল ৪ রোম কাপশিল্লক্তুনা এটেক চত্থখি। এটেক অদুদা মখোল ৪ ৱাংবা বিল্ডিং অমা নিংখাইরকপদগী মদুদা লৈরম্বা পেলিষ্টিনিয়ন ফেমিলি অমগী মীওই ১০ অদু শিখিবনি।

মীওই ১০ অদু খক নত্তনা অতোপ্পা হকচাং খরসু বিল্ডিং অদুনা ননশিল্লম্বা য়াই হায়না রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা থাজনরি। অমদি মফম অদুদা হকচাং থিবগী থবক লেপ্পা লৈতনা চত্থরি। এটেক অদুদা শোক্লবা মীওই ১৫ গী মনুংদা অমদি চহী ২ রোমতা ঙাইরিবা অঙাংনি।

অশোকপশিং অদুবু পুখত্তুনা লায়েংলিবা অল-সিফা হোস্পিটালগী ডোক্তর নবিল অবু অল রাইয়িসনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক থোকফম অদুদগী রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মখা তানা হকচাং থিবগী থবক চত্থরি। অদুগা হেল্থ ৱার্করশিংনা শোক্লবশিং অদু কনা কনানো হায়বা মশক খঙদোক্লবা হোৎনরি।


ঙসি থোকখ্রিবা থৌদোক অদু অকিবগী মশকনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা অতোপ্পদা পাউ ওইনা তম্বা ফাওবদা হকচাংদা অকিবা ফাওই। হৌজিক হৌজিক ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌওংশিং অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লৈরিবা ডোক্তরশিং ফাওবদা মপুং ফানা মথৌ তৌবা ঙমদ্রে। মরম অদুনা ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংনা হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগী মতম ওইরে হায়রি।

ঙসিগী এটেক অদুদা অমাং অতা থোকখ্রবা বিল্ডিং মপুগী মনাওনুপানা ফোঙদোরকখিবদা ৱার্নিং অমত্তা পীবা তৌদনা এটেক অদু খঙহৌদনা চত্থরকখিবনি। অয়ুক্কী মতমদা অহৌবা খোঞ্জেল অমা তাবদগী মহাকসু ময়ুমদগী থোরক্তুনা য়েংখি। মদুদা মখোল ৪ ৱাংবা বিল্ডিং অদু মপুং ফানা কিন্থবা হৌরম্লে। মহাক্কী মচলনুপী অমদি অঙাংশিংসু বিল্ডিং অদুদা চৎনবগীদমক থোকখিবনি। অদুবু মখোয় থৌদোক অদুদা শিখ্রবা নৎত্রগনা হিংলিব্রা হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুমওইনমক শিরম্লগনি হায়না মীয়াম্না দি থাজনরি।

অমরোমদা য়ুনাইটেদ নেসন্স রেফ্যুজি এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না গাজা ষ্ট্রিপতা লৈবা রেফ্যুজি কেম্প ৮ গী মনুংদা সটিনা অহুমশুবা খ্বাইদগী চাওবা রেফ্যুজি কেম্পনি। মফম অসিদা রেফ্যুজি ৮৫,০০০ হেন্না লৈরি। মী কা হেন্না লৈরিবা মফমদা মিসাইলশিং কাপশিন্দুনা এটেক চত্থরখিবা অদু লাইবকথিবা থৌওংনি হায়রি।

ইজরেলনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা চত্থরকখিবা এটেক অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা গাজা ষ্ট্রিপতা লৈরিবা হমাজ গ্রুপনসু ইজরেল তম্না মিসাইল কয়া কাপশিনখ্রে। অদুমওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ইজরেলগী মায়কৈদগী অশোক অপন নংবগী পাউফংবা লৈত্রি। অমদি এটেক অদুগা মরী লৈননা ইজরেলগী মায়কৈদগীদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

# ফোরেন ফাইটর খরনা লিবিয়াদা সিজ ফায়র থুগাইনবা হোৎনরি



ন্যু য়োর্ক, মে ১৫ (এজেন্সী) :
লিবিয়াদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা সপোর্ট তৌবা গৱর্ণমেন্ট ওফ নেস্নেল য়ুনিটি (জি এন য়ু) অমদি খালিফা হাফটরনা লুচিংবা ফোর্সশিংগা মতম শাংনা উংখৎনদুনা লাকখ্রবা মতুং মমাং চহীগী ওক্তোবর থাদগী নাকল অনীগী মরক্তা সিজ ফয়র তৌনদুনা লাক্লি। অদুবু ফোরেন ফাইটর খরনা সিজ ফয়রগী চৎনা কাঙলোনশিং অদু থুগাইনবা হোৎনরক্লি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী চীফ এন্তোনিও গুটর্সনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লিবিয়াদা থোক্লিবা লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাথোক অসি খূৎ থোক্লবগী থৌওংশিংনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই। নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবগী থৌওংশিং অসিদি পোলিটিকেলগী থাক্তা ৱারী শাদুনা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনগদবনি।

লিবিয়া মনুংদা থোক্লিবা নাকল অনী উংখৎনবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া অৱাফমদা তাহল্লি। হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী এপ্রিল থাদা মিলিটরি কমান্দর খালিফা হফটর অমদি মহাক্কা চৎমিন্নরিবা কাঙবুশিংনা লৈবাক অদুগী কোনুং ত্রিপোলিবু মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনখি।

থা ১৪ রোম গভর্ণমেন্ট ওফ নেস্নেল য়ুনিটিগী ফোর্সশিং অমদি খালিফা হাফটরগী লান্মীশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লখি। খূৎ থোক্লরিঙৈ মরক্তা য়ু এননা শকখঙলবা জি এন য়ুদা টর্কি অমদি সিরিয়ানা মতেং পাংশিল্লকপদগী খালিফা হাফটরগী ত্রিপোলি লৌশিন্নবা ফিরেপ অরেম্বদা তাখি।

মদুগী মতুং মমাং চহীগী ওক্তোবর থাদা নাকল অনীগী মরক্তা সিজ ফয়র এগ্রিমেন্ট তৌনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা লৈরিবা ফোরেন ফাইটর অমদি মর্সিনরি খুদিংমক নুমিৎ ৯০ নিগী মনুংদা লৈবাক অদু থাদোকপা হায়না য়ানখি। য়ানখিবা অদুদা চহী অদুমক্কী দিসেম্বর থাদা ইলেক্সন পাঙথোক্তুনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবসু পনখি হায়রি।

লৈবাক অদুদগী ফোরেন ফাইটরশিং চৎহনখিবা হায়না য়ানখ্রবসু মমাং থা এপ্রিল ফাওবদা লৈবাক অদুদা ফোরেন ফাইটর ২০,০০০ হেন্না লৈরি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা সিরিয়ন ফাইটর ১৩,০০০ অমদি সুদামিস ফাইটর ১১,০০০ য়াওরি হায়না দিপ্লোমেটশিংনা ফোঙদোরক্লি। ফোরেন ফাইটরশিং লৈবাক অদুদা লেংদনা লৈবনা মরম ওইরগা সিজ ফায়রদা অকায়বা লাকপগী অকিবা লৈ হায়রি।

## কোভিদ-১৯ না অকনবা চৈথেং পীরক্লি

কাথমান্দু, মে ১৫ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়া খক্তগা নত্তনা কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৱেভনা ইন্দিয়াগা য়ুমথনরিবা নেপালদসু অকনবা চৈথেং পীবা হৌরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি।

নেপালগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ পোপুলেসন্না ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা পুং ২৪ দা লৈবাক অদুদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২১৪ শিহনখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা নেপালদা কোরোনা ভাইরসনা শিহনখিবা মশীং ৪,৪৬৬ য়ৌখ্রে। অদুগা লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহনখিবা অপূনবা মীশিংনা ৪,৩১,১৯১ য়ৌখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ওফিসলশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কাথমান্দুদা নোংমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০০ গী মথক্তা লায়না লাইচৎ অসিনা শিহল্লকপগা লোয়ননা মখোয়গী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকপনি।

লোকেল মীওইশিংনা কোভিদ-১৯ না শিহনখ্রবা মীওশিং অদু মখোয়গী মনাক নক্লা লৈবা ক্রেমিটোরিয়মদা পোৎলোয়নবা অয়াবা পীরক্তবা অমদি অহাংবা মফম মরাং কায়না লৈতবনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবশিং অসি মায়োক্নরকপনি। গভর্ণমেন্টকী ওইনা লৈরিবা মীওইবগী হকচাং মৈ থাদোকনবা মেছিনশিংসু অরিবা ওইবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। করিগুম্বা মতমদা মেছিন মনুংদা মৈ থাবা হৌরুরগা লোইশিন্দবগী থৌদোকশিং থোক্লি।

# সেন্ত্রেল আফ্রিকাগী মনুং চনবা কোঙ্গোদা পুলিসকী মায়োক্তা কা হেনবা খোঙজং চঙশিনখিবা মীওই ৩০ শিবগী চৈরাক পীখ্রে



কিনশাসা, মে ১৫ (এজেন্সী) :
সেন্ত্রেল আফ্রিকাগী মনুং চন্না লৈবা দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোদা পুলিসকী মায়োক্তা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চত্থখিবা মীওই ৩০ গী মথক্তা নোংমগী ওইবা ত্রাইয়েল চত্থরবা মতুং শিবগী চৈরাক পীখ্রে হায়রি।

ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী শেংবা রামদান থা লোয়শিনবা নুমিত্তা এন্টি মুস্লিম গ্রুপ খরনা কোঙ্গোগী কোনুং কিনশাসাদা থোমজিল্লক্তুনা লাইনিংনা লোইশোনগী থবক চত্থরিবা মুস্লিমশিংদা এটেক চত্থরকখি। থৌওং অদুবু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনখিবা পুসিলকী মায়োক্তা এন্তি মুস্লিম প্রোটেষ্টরশিং অদুনা চৈ অমদি নুঙ শীজিন্নদুনা এটেক চত্থরকপদগী পুলিস পর্সনেল অমা শিখি। মদুগী মতুং অহেনবা পুলিস ফোর্স থোমজিল্লক্তুনা থৌদোক অদুদা চেন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মীওই কয়া ফাগৎখি।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা ফাগৎলবা মীওইশিং অদু লোকেল কোর্ট অমদা পুথোক্তুনা ত্রাইয়েল চত্থখি। কোর্ট অদুনা ফাগৎলবা মীওই ৩০ দি চপ চানা মরাল লৈরে হায়বা প্রুভ তৌখিবগা লোয়ননা মখোয় ৩০ বু শিবগী চৈরাক পীখিবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০০৩ দগী হৌরগা দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোদা মীওই অমত্তা শিবগী চৈরাক পীদনা লাক্লি। শিবগী চৈরাক পীবগী মহুত্তা পুন্সি চুপ্পা ফাদোক পীবনা লৈবাক অদুগী চৎনবী ওইনা লাকখিবনি। অদুবু শগোলশেন নুমিত্তা চত্থখিবা কা হেনবা থৌওং অদুনা মরম ওইরগা মখোয় ৩০ য়েৎনবা য়াওদনা শিবগী চৈরাক পীখিবনি।

অমরোমদা কিনশাসা পুলিস চীফনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদুদা মীওই ৪০ হেন্না শোকখি। অদুগা ৩৫ না পুলিসনা ফাজিন্দুনা থমখি হায়রি।

# টালিবান অমসুং অফঘান গভর্ণমেন্টকী নেগোসিয়েটরশিং কাটারদা উন্নখ্রে

কাবুল, মে ১৫ (এজেন্সী) :
অফঘান লৈবাক মনুংদা থোক্লিবা উংখৎনবগী থৌদোকশিং লোইশিন্নবগী পান্দমদা অফঘান গভর্ণমেন্ট অমদি টালিবানগী নেগোসিয়েটর অনীগী মরক্তা ঙসি কাটারদা উন্নদুনা ৱারী শান্নবা হৌখ্রে হায়রি।

অফঘানদা নুমিৎ হুমনিগী ওইনা অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমসুং টালিবান লালহৌবশিংগী মরক্তা সিজ ফয়র তৌনখ্রবা মতুং নাকল অনীগী নেগোসিয়েটরশিং ঙসি কাটারদা উন্নখিবনি। লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাথোকশিং অদু লোইশিন্নবগীদমক মমাং চহীগী সেপ্তেম্বর থাদগী হৌরগা নাকল অনীগী মরক্তা নাকোয়ননা ৱারী শান্নবা হৌরকখিবনি। মালেমগী লৈবাক কয়ানা টালিবান লুচিংবশিংদা অফগান গভর্ণমেন্টকা পোলিটিকেলগী থাক্তা ৱারী শান্নদুনা নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা য়ানদবশিং লোইশিন্নবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

অদুমওইনমক অফঘানদা দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরিবা ফোরেন ত্রুপশিং মরু ওইনা য়ু এস ত্রুপশিং লৈবাক অদুদগী লৌথোক্ত্রিবমখে গভর্ণমেন্টকা ৱারী শান্নরোয় হায়না টালিবাননা ফিরেপ লৌদুনা লাকখিবনি। দিকেদ অনীরোম হেন্না লৈবাক মনুংদা থোকখিবা য়েখাই থিনগাইবগী থৌদোক্লা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া অৱাফমদা তাহনবগা লোয়ননা কয়া অমনা শিহনখ্রে।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা য়ু এসনা অফগানদগী মখোয়গী ত্রুপশিং মপুং ফানা লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা ত্রুপশিং লৌথোকপগী থবক চত্থবা হৌখ্রে। য়ু এসনা মখোয়গী ত্রুপশিং লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রবা মতুং নেটোনসু লৈবাক অদুদা দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরিবা ত্রুপশিং লৌথোকপা হৌখ্রে। নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরকপা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্না পাল্লি।

# ইজরেলনা চত্থখিবা কা হেনবা থৌওংশিং অদু তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই: অল জাজিরা

দোহা, মে ১৫ (এজেন্সী) :
কটারদা বেজ তৌবা গজাদা লৈবা অল জাজিরাগী ওফিস বিল্ডিং অমা ইজরেল্লি এয়র ষ্ট্রাইকনা চাওনা অমাং অতা থোকহনখিবা অদুবু ন্যুজ এজেন্সি অসিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা অল জাজিরানা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই হায়রি।

অল জাজিরাগী জেরুসালম ব্যুরো চীফ ৱালিদ অল-ওমারিনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা গাজাদা ইজরেলনা লেপ্পা লৈতনা এটেক চত্থরি। নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা য়ানদবশিং অদুনা মরম ওইরগা এটেক অদু চত্থখিবা ওইরম্বা য়াই। অদুমওইনমক মরী লৈনদবা ন্যুজ এজেন্সি অমগী বিল্ডিংদা অতম্না টার্গেট তৌরকখিবা অদুদি অরানবা থবকনি। মদুগী মতাংদা ন্যুজ এজেন্সি অসিনা তুমিন্না খক য়েংদুনা লৈথোক্লোই।

ইজরেলদা চত্থরকখিবা এটেক অদুদা অল জাজিরাগী বিল্ডিং খক্তা নত্তনা য়ু এস ন্যুজ এজেন্সি অমগী বিল্ডিংসু অমাং অতা থোকহনখি। ইজরেলনা গাজা ষ্ট্রিপতা চত্থরিবা থৌওংশিং অসি লন্নাই ইন্তরেষ্টতা চত্থবা ক্রাইম মখল অমগা পাংখক ওইরে।

অল জাজিরা ন্যুজ এজেন্সিনা ঙসি ফাওবদা নাকল নামতদগী ওইবা মীয়েংদা থবক অমত্তা তৌখিবা লৈত্রি। অদুমওইনমক ন্যুজ এজেন্সি অসিদা অতম্না টার্গেট তৌরকখিবা অসি মালেমগী জর্নেলিষ্টশিংনা কন্দেম তৌফম থোকই। ইজরেলনা চত্থরিবা অরানবা থবক থৌওংশিং তুং মাং য়েংদনা মীয়াম মমাংদা ন্যুজ এজেন্সি অসিনা ফোঙদোকপা হৌরগনি। অমদি ইজরেলনা থুগাইখ্রবা ন্যুজ এজেন্সি অসিগী বিল্ডিং অমুক হন্না ইজরেল মিলিটরি নৎত্রগা গভর্ণমেন্টনা শাগদবনি হায়রি।

# ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী চীফকা উন্নদুনা ভেক্সিন পুথোকপগী মতাংদা খন্নবা হৌখ্রে




ৱাশিংটন, মে ১৫ (এজেন্সী) :
য়ু এস ত্রেদ রিপ্রোজেন্টেটিভ কেথ্রিন টাইনা ইরাই নুমিত্তা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী দিরেক্তর জেনরেল টেদ্রোস অধানোম ঘেব্রেয়েসসকা ওন লাইনগী খুত্থাংদা উন্নদুনা ভেক্সিন প্রদক্সনগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়রি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মালেমগী লৈবাক পুম্বদা অমুক্কা হেন্না অকনবা চৈথেং পীরক্লি। অনীরকশুবা ওইনা লায়না লাইচৎ অসিনা পীরক্লিবা চৈথেং অসিনা অহানবা ৱেভতগী য়াম্না কনবা হেল্লি। মসিনা মরম ওইরগা অত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা লায়না লাইচৎ অসি মায়েক য়ানবগী পান্দমদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট কমলা হরিসকী মীৎয়েং মখাদা য়ু এস ত্রেদ রিপ্রজেন্টেটিভনা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবা অসিগা উন্নদুনা ভেক্সিন পুথোকপগী মতাংদা খন্নখিবনি।

দিরেক্টর জেনেরেল টেদ্রোজকা ৱারী শাখিবা অদুনা কেথ্রিন টাইনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন পুথোকপগী চাং হান্নদগী মশীং হেন্না পুথোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংনবা আপীল তৌখি। দিরেক্তর জেনরেল টেদ্রোসকা উন্নরবা টাইনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক খরা খক কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি কন্ট্রোল তৌরগা মালেম পুম্বগী ওইনা কন্ট্রোল তৌরে হায়বা য়ারোই।

লৈবাক খুদিংমক্না লায়না লাইচৎ অসি কন্ট্রোল তৌবা মথৌ তাই। অদুবু করিগুম্বা হীরম কয়াদগী হান্নদগী হৌনা ইকনমিগী ফীভম শোক্তুনা লৈরিবা লৈবাকশিং অমদি চাওখৎপা য়ৌদ্রিবা লৈবাকশিংনা লায়না লাইচৎ অসি মায়েক য়ানবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। অসিগুম্বা লৈবাক কয়া অসিনা কোভিদ-১৯ মায়েক য়ানবা হোৎনবদা চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা মতেং পাংবা মথৌ তারি।

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা খ্বাইদগা হেন্না চৈথেং পীরিবা ইন্দিয়াদসু য়ু এসনা পাংবা য়াবা মতেং পাংবা হৌখ্রে। য়ু এসনা পাংলিবা মতেং অসি খক্তনা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা মপুং ফাবা ঙমদ্রি। মরম অদুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংনসু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা কা হেন্না শোকহল্লবা শোথরবা লৈবাকশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা মতেং পাংবা মথৌ তাই। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনসু হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা শোথরবা লৈবাকশিং অমদি লায়না লাইচৎ অসিনা কা হেন্না চৈথেং পীরিবা লৈবাকশিং মশক খঙদোক্লবা হোৎনগদবনি হায়রি।

# ইন্দিয়াদা পন্দুনা লৈরম্বা ওষ্ট্রেলিয়ন ৭০ পুরকখ্রে

কেনবেরা, মে ১৫ (এজেন্সী) :
কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৱেভনা ইন্দিয়াদা অকনবা চৈথেং পীবা হৌখ্রবা মতুং ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াদা মখোয়গী ওইবা ফ্লাইটশিং পাইহনখিদবগা লোয়ননা ইন্দিয়াদগী লৈবাক অদুদা চঙলকপদসু মতম খরগী ওইনা অথিংবা থমখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা ওষ্ট্রেলিয়ন কয়া ইন্দিয়াদা পন্দুনা লৈরকখি। মখোয়শিং অদুগী য়েংলগা ওষ্ট্রেলিয়ানা অখন্নবা ফ্লাইট থাদুনা ইন্দিয়াদা পন্দুনা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়নশিং লৌথোকপগী থবক চত্থবা হৌখ্রে।

অহানবগী ওইনা ইন্দিয়াদগী ওষ্ট্রেলিয়ন ৭০ লৈবাক অদুদা ঙসি তেক্তা কায়দনা পুরকখ্রে হায়রি। মীওই ১৫০ রোম পুরক্লবগী পান্দমদা অখন্নবা ফ্লাইট অদু ইন্দিয়াদা থাখিবনি। অদুমওইনমক প্লেন অদুদা তোংগদবা মীওই ৭২ গী মনুংদা ৪৮ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী মখোয় ৭২ মক প্লেন অদুদা তোংহনখিদে। অদুবু দেল্লীগী নোর্থ সাইদতগী বুক তৌরকখিবা পেসেঞ্জর ৭০ গী মরক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা অমত্তা য়াওরমদবদগী মখোয় ৭০ হান্না লৈবাক অদুদা পুরকখিবনি। পোজিটিভ ওইরবা মীওই ৪৮ গা লোয়ননা লেমহৌরিবশিংগী হকচাংগী ফীভম অখন্ননা য়েংশিন্নবা প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা ইন্দিয়াগী মরী লৈনবশিংদা তকশিনখ্রে হায়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 162,611,714 | +78,936 | 3,373,523 | +2,421 | 141,583,013 | 17,655,178 |
| 1 | USA | 33,668,931 | | 599,314 | | 26,712,821 | 6,356,796 |
| 2 | India | 24,372,907 | +664 | 266,229 | | 20,432,898 | 3,673,780 |
| 3 | Brazil | 15,521,313 | | 432,785 | | 14,028,355 | 1,060,173 |
| 4 | France | 5,848,154 | | 107,423 | | 5,042,411 | 698,320 |
| 5 | Turkey | 5,095,390 | | 44,301 | | 4,894,024 | 157,065 |
| 6 | Russia | 4,931,691 | +8,790 | 115,480 | +364 | 4,547,500 | 268,711 |
| 7 | UK | 4,446,824 | | 127,668 | | 4,273,441 | 45,715 |
| 8 | Italy | 4,146,722 | | 123,927 | | 3,683,189 | 339,606 |
| 9 | Spain | 3,604,799 | | 79,339 | | 3,297,340 | 228,120 |
| 10 | Germany | 3,585,891 | | 86,481 | | 3,275,500 | 223,910 |
| 11 | Argentina | 3,269,466 | | 69,853 | | 2,913,144 | 286,469 |
| 12 | Colombia | 3,084,460 | | 80,250 | | 2,888,990 | 115,220 |
| 13 | Poland | 2,851,911 | +2,896 | 71,609 | +298 | 2,595,635 | 184,667 |
| 14 | Iran | 2,732,152 | | 76,433 | | 2,196,197 | 459,522 |
| 15 | Mexico | 2,377,995 | +2,880 | 220,159 | +258 | 1,897,587 | 260,249 |
| 16 | Ukraine | 2,150,244 | +6,796 | 47,942 | +322 | 1,849,803 | 252,499 |
| 17 | Peru | 1,879,049 | | 65,608 | | 1,720,665 | 92,776 |
| 18 | Indonesia | 1,736,670 | +2,385 | 47,967 | +144 | 1,597,067 | 91,636 |
| 19 | Czechia | 1,652,238 | +1,050 | 29,886 | +7 | 1,592,219 | 30,133 |
| 20 | South Africa | 1,608,393 | | 55,124 | | 1,522,165 | 31,104 |
| 21 | Netherlands | 1,589,282 | | 17,423 | | 1,351,988 | 219,871 |
| 22 | Canada | 1,318,405 | | 24,869 | | 1,220,110 | 73,426 |
| 23 | Chile | 1,273,516 | | 27,647 | | 1,208,396 | 37,473 |
| 24 | Philippines | 1,138,187 | +6,739 | 19,051 | +93 | 1,062,427 | 56,709 |
| 25 | Iraq | 1,134,859 | | 15,910 | | 1,034,396 | 84,553 |
| 26 | Romania | 1,071,334 | +729 | 29,485 | +72 | 1,023,822 | 18,027 |
| 27 | Sweden | 1,037,126 | | 14,275 | | 878,153 | 144,698 |
| 28 | Belgium | 1,028,104 | +1,631 | 24,664 | +19 | 905,973 | 97,467 |
| 29 | Pakistan | 874,751 | +1,531 | 19,467 | +83 | 783,480 | 71,804 |
| 30 | Portugal | 841,379 | | 16,999 | | 802,285 | 22,095 |
| 31 | Israel | 839,079 | | 6,380 | | 831,950 | 749 |
| 32 | Hungary | 797,429 | +1,039 | 29,114 | +73 | 618,608 | 149,707 |
| 33 | Bangladesh | 779,796 | +261 | 12,124 | +22 | 721,435 | 46,237 |
| 34 | Jordan | 723,069 | | 9,224 | | 710,445 | 3,400 |
| 35 | Serbia | 705,185 | | 6,646 | | 673,038 | 25,501 |
| 36 | Switzerland | 679,510 | | 10,730 | | 617,283 | 51,497 |
| 37 | Japan | 671,841 | +6,272 | 11,365 | +110 | 584,770 | 75,706 |
| 38 | Austria | 636,424 | +644 | 10,470 | +15 | 614,803 | 11,151 |
| 39 | UAE | 544,931 | +1,321 | 1,629 | +3 | 525,080 | 18,222 |
| 40 | Lebanon | 534,968 | | 7,569 | | 492,270 | 35,129 |
| 41 | Morocco | 514,705 | | 9,092 | | 502,604 | 3,009 |
| 42 | Malaysia | 466,330 | +4,140 | 1,866 | +44 | 422,329 | 42,135 |
| 43 | Nepal | 447,704 | +8,046 | 4,856 | +187 | 333,108 | 109,740 |
| 44 | Saudi Arabia | 431,432 | | 7,134 | | 415,747 | 8,551 |
| 45 | Bulgaria | 413,838 | | 17,243 | | 361,993 | 34,602 |
| 46 | Ecuador | 407,002 | | 19,514 | | 342,878 | 44,610 |
| 47 | Slovakia | 387,420 | +258 | 12,203 | +35 | 370,552 | 4,665 |
| 48 | Belarus | 374,714 | +1,363 | 2,691 | +10 | 365,255 | 6,768 |
| 49 | Greece | 373,881 | | 11,322 | | 335,156 | 27,403 |
| 50 | Panama | 370,043 | | 6,292 | | 358,670 | 5,081 |
| 51 | Kazakhstan | 355,645 | +2,505 | 4,039 | +22 | 312,837 | 38,769 |
| 52 | Croatia | 349,910 | +826 | 7,687 | +23 | 335,337 | 6,886 |
| 53 | Bolivia | 329,733 | +2,509 | 13,451 | +42 | 269,288 | 46,994 |
| 54 | Georgia | 329,407 | +1,576 | 4,426 | +29 | 307,918 | 17,063 |
| 55 | Azerbaijan | 329,371 | +377 | 4,768 | +14 | 313,778 | 10,825 |
| 56 | Tunisia | 325,280 | | 11,727 | | 286,230 | 27,323 |
| 57 | Paraguay | 309,638 | | 7,482 | | 256,345 | 45,811 |
| 58 | Palestine | 303,270 | | 3,401 | | 288,891 | 10,978 |
| 59 | Kuwait | 290,006 | | 1,681 | | 275,745 | 12,580 |
| 60 | Costa Rica | 282,741 | | 3,547 | | 221,903 | 57,291 |